Tuesday, September 23, 2025, Imphal

HUEIYEN LANPAO

## হৌদোংনা ঙা চারি, য়েংলি
### নুঙদা হাপ্লগা তকখাইবা নত্তনা কৈদৌখিগদগে

হৌজিক লৈবিরিবা ইকায়খুম্নজরবা মীয়ামগী মীহুৎশিংসিনা তৌরিবসিবু করিনো? মখোয়না তৌরিসিবু 'হৌদোংনা ঙা চাব্রা য়েংঙু' হায়রুবদা 'চারি, য়েংলি' হায়বদু মক্লি হায়রুবদা লানগদ্রা? মখোয়গী শক্তাশিংদু নুংশিদদুনা হেক্তা হায়জিনবনি হায়দুনা লান্না লৌখিগদ্রা? মখোয়দবু কৈদৌবগী করিনেনা নুংশিরোইদোইনো? মখোয়দি মীয়াম্না খঞ্জবা মীয়ামগী মীহুৎনি। মখোয়না মীয়ামগীদমক তৌগে হায়বদা ঙমদবা লৈত্রিবনি। মখোয়দি মীয়ামগীদমক্তদি অমম্বদা লমজিং মৈরানি; অনানবা লম্বীদা চৈশুনি, নোং চুরক্লগনা অপাকপা য়েনপাকনি। অদুবু ৱাহংসি মখোয় ৬০ লৈগদবদা অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা লৈহৌরিবা মখোয় ৫৯ মক্তা ওনশিন্দুনা হংবা নত্তে। হংলুবসু য়াদে, হংফমসু থোক্তে। মীয়ামগী মীহুৎশিংসিনা কৈদৌরিবগে হায়বা ৱাহংসিদি মখোয় ৫৯দা হংগদবা নত্তে। মরমদি মখোয়গী মনুংদগী ১০দি মণিপুরদগী মখোয়গী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেশন পীরো হায়দুনা দিমান্দ তৌরক্লিবনি। মখোয়দসু ৱাহংসি হংলুরবদি মখোয়গী দিমান্দসিদা মথৌ শংবগুম থোক্লনি। পীকচরবসু চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরবু মচেৎ-মকাই তাহন্দুনা শায়েন-ঙায়েন্নবদৌনা য়েন্নথোক্লসি হায়বগী খোঙফমদা চেৎনা লেপ্লক্লিবা মীহুৎনি হায়বশিংসিদদি মীয়ামগী মীহুৎশিংগী থৌদাং, মখোয়না তৌগদবশিংনা করিনো হায়দুনা হংলুবদা মহয় য়াল্লরোই। হায়বদি ফংফম থোকপা পাউখুম ফংলরোই হায়বনি। মরম অসিনা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসিদদি ষ্টেটসিগী মীয়াম্না, মরু ওইনা য়েহ্লৌমী মীতৈশিংনা কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবা পায়রগা ঈশিং শোক্লবা হোৎনরুবা চুল্লোই। মখা তানা নুংশিৎ মায়রম লশিং কাপ্পগী থবকসু তৌররোইদবনি। মণিপুর মীয়ামগী মরক্তগী হকথেংননা লানসিবু মায়োক্লরক্লিবা মীতৈশিংগী খোঙফম অমসুং ফিরেপ্তি তাঞ্জাসিগী ফীভমসি য়ৌরে। মরম অসিনা মখোয়গী মীহুৎশিং ওইরিবা লুচিংবনি হায়বশিং, লানসিগা হকথেংননা মরী লৈনদ্রবসু নাকোয়ননা মৈশাদি লাংলক্লিবা অতোপ্পা ফূরুপকী মীয়ামগী মহুৎ শিল্লিবা মীহুৎশিংসিনা হৌজিক কৈদৌরিগে? কৈদৌদনা লৈরিবগে হংবনি। ৱাহংসি নাখৈ শেংলবা অমসুং হংফম থোক্লবা ৱাহংনি। হংদবা য়ারক্তবদগী হংলক্লবনি। অদুবু লানসিগী মতাংদা মখূৎ-মক্রাং লোল্লক্লিবা মীহুৎশিংসিনা মমায়-মমায়শিংদু নোনখৎলগা মকোক থাঙ্গৎতুনা চপ-চাবা পাউখুম পীনবগী থৌনাদি য়াওরমগনি থাজদ্রে। থৌনাদু য়াওরম্লগদি পাউখুম ওইনা পীরকপগী মহুত্তা চোংথোক্তুনা থবক ওইনা তৌরম্লগবু ৱাহংসি থোরকখিদ্রো?

পৎ-পুমদুনা হীরম অমত্তদা লৌখৎপা য়াদ্রবসু ১২শুবা এসেমব্লিগী মখোয়গী লৈঙাক্তু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লৈবাক্তা হৈদোকখিবা গ্লিসরিনবু লশিংনা লুপ্তুনা চুমশিল্লগা লৌবদৌনা ওন্থোক্লা কন্না পিরাই ঙাক্তুনা থম্বীরকখ্রিবনি। চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা নুপাদু শিন্দোকউ, লৈঙাক্তু মুখৎলু হায়দুনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা ওপোজিশন এম পি অমত্তনা হায়দবা য়াওখিদ্রবসু ফৈগাক ফৈনা ঙাক্লকখিবনি। সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী এদমিনিষ্ট্রেশন অমসুং লো-এন্দ-ওর্দরগী ফীভম্মু 'দেলিবরেটলি ফেল ওইরে' হায়খ্রবা ফাওবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা পায়খৎপা, পাঙথোকপা থবক্তা খূৎশম্নরি অমসুং কো-ওপরেশন পীরি হায়বা ৱাহৈশিংগী অপাকপা চুঙ্গোইনা ঙাকথোক্তুনা য়েনবিনা য়েন্নাও কোনবদৌনা থম্বীরকখিবা নৎত্রা? মসিগী মতুংদা রিজাইন তৌহল্লকখ্রে, এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকখ্রে। অনৌবা লৈঙাকসিগী থা তরুক্কী মতম লোইরদুনা অতোপ্পা থা ৬ অমগসু শাংদোকহল্লক্লে। নাকল অমরোমদনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবনেনা মফি তাকখৎতুনা ফীভম শেন্নক্লবসু থবক্তদি থুৎ লাওরি। শুপ্নতগী মচিন মৈ মুবা হৌরকপদা ঙাইরি। আই দি পিশিং রিলিফ কেম্পশিংদগী মচি লেংদ্রি। নেশনল হায়ৱেশিং য়াওনা লম্বীশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট য়াদ্রি। খূৎ থাবা হৌরক্লবনিনা লেপ্পু লেপত্রবদি নোংমদি শোয়দনা লৈখাই তারকপসু য়ারি। তারকপসু ওইসনু। অদুবু মীয়ামগী মীহুৎনেনা লৈরিবশিংসিগী মথৌসিবু হৈবোং অমুনবা কেল্লক্লনেনা মখাদা লোংনা হিপ্লগা য়া কাথোক্তুনা লৈ হায়বদুগুল্লন্দনা লৈঙাক শেমহল্লক্লগনি হায়দুনা লৈরক্লিবা অসি খক্তা ওইরব্রা হংবনি। ৱাহংসিগা মরী লৈনবনি কায়না লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা য়াম্না তৌই-খোৎলিকা হায়জিল্লক্তুনা মচিন চেন্থি থিজিল্লক্লবসু হোৎনরকপা চুল্লোই। নরেন্দ্র মোদি অমসুং অমিট শাহনা অরৈবা মবুধি মরৌশিং পুথোক্লগা ঙাকপা য়াবা ঙাক্লক্লগা অতোপ্পা পান্থে (ওপশন) অমা লৈরক্তবদগী নমদুনা সুইসাইদ তৌহনখিবনি। মসিগী মতুংদা লাইরেল মতুং ঙা-ইনবদৌনা হৌজিক্কী ফীভমসি মথং-মথং ওইহল্লকখিবনি। হৌজিকপুদি খরা পাথরে হায়বগী ৱানি। অনৌবা লৈঙাক অমা শেন্ননি, শেমহনবীরক্লনি হায়দুনা খিংখিবদুনবু ফম থাদোকহনবীরকপগী মরমশিং খঙবদগীনি হায়দুনা লৌবা য়ারিব্রা? লান হৌরকপদগী করিমত্তা ঙমখিদবদুসু হৌখ্রে, পোপথোক্লগুমসি। অদুবু মণিপুরগীদা নত্তনা লৈবাকসিগী ওইনা ঙমদবা লৈতবা, তৌগে খনবদা ঙম্বা নুপাদুনা পুং খরগী ওইরবসু সেপ্টেম্বর ১৩, ২০২৫গী নোংলক্তা সনা খোঙলেংলম্বদুদগী হৌজিক থাখায় অমা মপূং ফাজিল্লক্কদৌরে। করি তৌবা ঙল্লবগে? তাঙনা ফংবা তাঞ্জাদুদা ৱাংলেন মীৎকুপ অমত্তংদা ওইরবসু উন্নদুনা তেংথাজবা অমসুং পুকমেন-পাওমেন্নজবা ঙমজহৌব্রা? উনবদি লায়রদনা মিৎচিনা হন্না ফাওবা য়েংবিরমদবা ওইরবসু অইবা ওইনগদি পীশিনবা ঙমজহৌব্রা? অদু ফাওবা ঙমহৌদবা ওইরবদি মখোয়না মীয়ামগী মীহুৎশিংনি হায়দুনা মখা শাংথ-চোন্থনা লৈহনখিগদৌবগী মরমশিং লৈরিব্রা হায়বনি। এম এল এনা শৌগ্রী য়ুংবদৌনা য়ুংলগা চগৌ য়েংদুনা লৈগদবা ওইরবদি 'ৱাই চিন্নবা' নৎত্রো? হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসিদবু লৈঙাক শেমহল্লক্কনি অমসুং শেমহনবীরক্লগনি হায়রিবশিংসিদগী হেন্না মখোয়গী অতোপ্পা তৌদবা য়াদবা মথৌশিং অমত্তা লৈত্রবরা হায়বনি। হোয়, এসেমব্লিবু 'শ্বর' শৎতোক্লগা থম্লক্লি হায়বসিবুদি চুম্মীনে, খঙইনে, য়াইনে। অদুবু খোঙফমসিদা লেপহনবীরক্লবসু মণিপুর মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বা মতুংইন্না য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা খংপ্রেক খংগদবা পান্থে অমত্তা লৈজদ্রবরা হংবনি। 'হৌদোংনা ঙা চারি, য়েংলি' হায়বদুদি নুঙদা হাপ্লগা মরূ-ময়াং বেশোন তাবা মখৈ তকখায়রগে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লরকপা য়াওরক্কদ্রা খনবগী ৱানি!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৬২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অদু নুমিৎতগী পাংকাং লৈবাক নিংথৌনা। মমোম শেনবী লঙকমনু মচা ইবেমমবু। অওং অউন তমনা। কবো শামবা লাইরবদা লুহোংলে। কবো শামবা লাইরবদি। মরাক লাকনী খাইনা পী। মথোঙ থোঙ অনী ফাৎনা মনাই মশন মশিং ৱাৎতনা তমনা পীরে। পুককৈ লনগৈ শীংপৈ ৱাৎতনা পীরে। অদু নুমিৎতগীবু। কবো শামবা লাইরবা। খুনখিলবা পুঙ। পাংকা লৈমায়াই ও মিংকৌয়ে। সোংসুক ও মিংথোল মিংকৌনখিবদি। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯶꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ ꯄꯥꯡꯀꯥꯡ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯥ॥ ꯃꯃꯣꯝ ꯁꯦꯟꯕꯤ ꯂꯉꯀꯃꯅꯨ ꯃꯆꯥ ꯏꯕꯦꯃꯃꯕꯨ॥ ꯑꯑꯣꯡ ꯑꯎꯟ ꯇꯃꯅꯥ॥ ꯀꯕꯣ ꯁꯥꯝꯕꯥ ꯂꯥꯏꯔꯕꯗꯥ ꯂꯨꯍꯣꯡꯂꯦ॥ ꯀꯕꯣ ꯁꯥꯝꯕꯥ ꯂꯥꯏꯔꯕꯗꯤ॥ ꯃꯔꯥꯛ ꯂꯥꯛꯅꯤ ꯈꯥꯏꯅꯥ ꯄꯤ॥ ꯃꯊꯣꯡ ꯊꯣꯡ ꯑꯅꯤ ꯐꯥꯠꯅꯥ ꯃꯅꯥꯏ ꯃꯁꯟ ꯃꯁꯤꯡ ꯋꯥꯠꯇꯅꯥ ꯇꯃꯅꯥ ꯄꯤꯔꯦ॥ ꯄꯨꯛꯀꯩ ꯂꯟꯒꯩ ꯁꯤꯡꯄꯩ ꯋꯥꯠꯇꯅꯥ ꯄꯤꯔꯦ॥ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯕꯨ॥ ꯀꯕꯣ ꯁꯥꯝꯕꯥ ꯂꯥꯏꯔꯕꯥ॥ ꯈꯨꯟꯈꯤꯜꯕꯥ ꯄꯨꯡ॥ ꯄꯥꯡꯀꯥ ꯂꯩꯃꯥꯌꯥꯏ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ॥ ꯁꯣꯡꯁꯨꯛ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯈꯤꯕꯗꯤ॥ ●

## রিমসতা চাবোকপী মীশি, অশোমদনা উথক্তা কাখৎলগা অঙাং পোকখ্রে!



**হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৭২**

**জিতেন নামৈরাকপম**

হন্দক মরক অসি নুংঙাই-নুংঙাইতবা পাউ খরা তাবা ফংই। পাউ নুংঙাইতবা হায়রগা অতৈ মরমগী নত্তে। মী শিবগী পাউনি। খঙহৌদনা হৌরকপা নোংনা ঈশিং ঈচাও থোরক্তুনা ঈশিংগা লোয়ননা চেন্থখিবদগী থৱায় মাঙখিবা অদুগা মরম ইচা চাদনা হেস্পিটালদা লায়েংবা মী শিবা অনী অসি হৌজিকমক ফোং ফোং শারিবা ৱাফমনি।



"ৱি আর বোর্ন টু দাই' ঐখোয়না মালেমদা পোক্লক্লিবা অসি শিনবগীদমক্তনি। অদুগা অমুক্তসু হায়রি - 'মেন ইজ মোর্টেল' হ্যুমেন বিয়িং পূম্নমক ওমর ওইদে। মহাক্কী মতম অদু লাক্লবা মতমদা তাইবঙপান অসি থাদোক্তুনা চৎখি। অদুগা ঐখোয় মীওইবনা খ্বাইদগী হেন্না কাউগনবসি শিবা হায়বসিনি। অদুননি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা গাড়ী য়াঙনা-য়াঙনা পাইদুনা থৌদৎলগা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শিনরিবা অসি! 'শিবা' হায়বা ৱাহৈ অসি কাউথোকপদগীনি। ঐ-ঐনা থৌরিবা গাড়ীগী স্পীদ অসি য়াঙমল্লে, থোমজিল্লুবা, লোকখাদা ওন্থরুবা, ব্রেক ফেল ওইবা নৎত্রগা কন্ট্রোল ঙমদ্রগদি এক্সিদেন্ট শোয়দনা থোকপা য়াই, শিবা য়াই হায়বসি কাউথোকপদগীনি। মসিনা খুদম অমগী ৱানি। অতৈ কয়া অমসু লৈখ্রে। করিগুম্বদা অদোম অদোম্না থৌরিবা গাড়ী অদু এক্সিদেন্ট থোকহন্দনবা, অশোয় অঙাম য়াওহন্দনবা পান্থে অমা হায়রগদি গাড়ী থৌবা মতমদা অদোম অদোমগী নুপী, ইচা নৎত্রগা ইশু অদু থৌরিবা গাড়ীদুগী মমাঙদা ফল্লি হায়না খনবীয়ু। অদু ওইবা তারগদি গাড়ী কন্না শুকথৌ হেক থৌররোই। মসিসু গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তনবা পান্থে ওইগনি হায়না খল্লি। অদুবু কনানা খঙগনি। ঐনা য়েৎ, ওই, মাঙ, তুং য়েংলগা য়াম্না চেকশিন্না গাড়ী তপ্পা থৌজরগসু মথোং মরম খঙদবা, অঙাও অফৈবা গাড়ী পাইখৈ থৌরকপা অমনা থোমজিল্লক্লগদি চেকশিন্না থৌজরিবা ঐহাকসু লোইরেনে হা! মসিসু থোক্তবদি নত্তে। হূইনা চিক্কদৌরে হায়দুনা চোংথোরকপদা কারনা থোন্বগুম্বনি।

গাড়ী কন্না কন্না থৌবদা এক্সিদেন্ট থোরকপদগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিং শিখিবা য়াম্না য়াওখ্রে। মদু য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক্লি। ত্বেলভ ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌবদগী হান্না হায়নখিবগী মতুংইন্না মথন্তা পোকচবা মৈখেৎ মরূ অমখক্তংগুম্বা খেৎখ্রবদি লোইখ্রবা নুংশিজরবা মচানুপাদুগী বুল্লেট ইনফিল্ড অমা লৈবীরে। কুইদে নম্বর থাদ্রিঙৈদা পাই পাইদুনা থৌরুবদা কদাইদনো থোমজিল্লবদগী নুমিৎ থাগুম য়েংজরিবা মচানা শিখিবগী পাউসু তাখি। লুপা লাখ লাখ পীবা বুল্লেট মোটোর সাইকলদু কূ লৈরগা থাদোকখিবগা মান্নখি। মসিনি মীশি চাদনা শিবা অন-নেচরেল দেথকী পাউ নুংঙাইবা নত্তে। শিবু শিয়ু হায়রগদি কুমজা ২০০২দা ফিনলেন্দদা থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা এক্সিদেন্টতা নুপা মচিন মনাও অনী শিখি। মখোয় অনীগী মীশিদু অসিনি - অহানবদা ময়াম্বা অদুনা বাইক অমা থৌরগা লাকপদা সড়ক অমা লাম্থোকপদা ত্রক অমনা থোমদুনা শিখি। অনীশুবদনা মনাওনুপা অদুসু ময়াম্বগী শিফম অদুদগী কিলোমিটর অমামখায় লাপথোক্লগা চপ মান্নবা সড়ক অদু লাম্থোকপদা অতোপ্পা ত্রক অমনা অমুক তক্লগা শিখি।

অদুগা অমুক মীওইবগী মপোক্লা শিবু শিখিনু হায়রগদি ফনা কুইনা শুকশি শিবীয়ু য়াবজাৎ নত্তেকো। চহী ১০১ শুরবা Asuncion Gutimez কৌবা নিকারগুৱাগী মনাগুৱাদতা লৈবী নুপী অমা শিরে হায়দুনা কূ মনুংদা হাপ্তুনা থমখ্রবা মতুং ইমুং মনুংনা কপ্পা য়াবা কপ্পরবা মতুংদা - করি করি অচাপোৎ খিৎতা চাগে হায়দুনা কূ মনুংদগী হৌগৎলক্লগা লাউরকপদা মীয়ামদু খংপ্রেক খংবগী ৱানি। খ্বাইদগী অঙকপা অমনা নুপী অদু মমাঙগী অসুম্না শিরে-শিরে হায়দুনা কূদা অনীরক হাপখ্রবনি। হন্দক্কী অসিনা অহুল্লকশুবা ওইরমখি। অতোপ্পা অমনা অমুক নিকোলাস ফাগানি কৌবা নুপা অমা মহাক্কী মপূন্সিদা এক্সিদেন্ট কয়ারক হন্না থোকখি। মহাক্কা চহী মঙা শুরকপদা ফিট ৫৫ ৱাংবা মফমদগী মখাদা তারকখি। চহী ১২ শুবদা মথোল ২০ ৱাংবা ন্যু য়োর্ক লিবর্টি বেঙ্ক বিল্ডিং মথক্তগী অমুক্কা তারকখ্রে। অহুল্লক শুবদনা য়াঙনা চেল্লকপা ত্রেন অমনা অমুক থোন্বদগী মালংদা ফিট ৩০০ লাপ্না পাইথোকখি। শুকশি হেক শিয়ু য়াদবগী ৱানি। অদুগা অমুক শিবু শিয়ু হায়রগদি তেলঙ্গা পাইবদতা পাকিষ্টানদা হঞ্জিন হঞ্জিন তেলঙ্গা পাইবগী কম্পিটিশন 'দোগ ফাইটস' তা মীওই ১২ শিখি। ঐখোয় খ্বাইগী অঙাংশিংনসু য়াম্না তৌনবা তেলঙ্গা পাইনা-পাইনা লংদুদা লিক্লি মচেৎ মকুপ তানা থুগাইরগা গমনা লংদুদা চিং-চিংলগা নপ্পদো অদুম হায়না লংশিংদু গ্লাস কোটেট তৌরগা তেলঙ্গা পাইরকপনা তেলঙ্গা ককথৎনবদা শোয়বদগীরা মখৌরিদা লংনা ককথৎনবদগী কুমজা ২০০৩দদি পাকিষ্টানগী লাহোর মেয়রনা তেলঙ্গা পাইবগী দোগ ফাইটস অদুমক থিংজিনখ্রে।

হিংবু হিংঙু হায়রগদি আরকানসাসতগী টেরীৱাল্লীস কৌবী চহী ২০দং ঙাইরিবী নুপীমচা অমা কুমজা ১৯৪৪দা কার ক্রাশ তৌবদগী ৱাখল তাদনা কোমাদা লৈখি। এক্সিদেন্ট অদু ইরাই নুমিৎকী তারিখ ১৩দা থোকখিবনি। অঙকপনি মানা কোমাদা লৈখিবা অদু চহী ১৯ চূপ্না জুন ১৩ ইরাই নুমিৎ ২০০৩দা মহাক ৱাখল তারকখি। নীংশিংবা ঙম্বা কাউরুবা অদু তপ্না-তপ্না রিকোল তৌরক্তুনা ফোন নম্বরশিং, এক্সিদেন্ট থোকখিবগী মতম অদুগা রোনাল রীগাননা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লৈরী হায়রকখি। তারিখ ১৩ অসি খ্বাইদগী দাউ য়াদবনি হায়না থাজনবা অমদি অদুম্মক লৈবনি। মসি আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ফ্রাঙ্কলিন রুসভেল্টসু ১৩ খ্বাইদগী কিগনবশিংগী মনুংদা অমনি। ১৩ কিগনবা Superstitious fear অসিবু Thiskaidekaphobia কৌই। লাইট বল্ব পুথোকখিবা থোমাস অলভা এদিশননা অমুক অমম্বা য়াম্না কিজবা মীওই অমা ওইখি। Author Sdholom Aleichem দি নম্বর ১৩ অসি থবক খুদিংমক্তা, ফীভম খুদিংমক্তা কান কান্দুনা অদুম চৎখি। মানা ইবা মতমদসু পেজ ১২ ইরগা ১৪ ইবসি হৈনবীনি। লাইবক থীবা হায়গদ্রা মহাক মে ১৩, ১৯১৬তা শিখি। অদুবু মহাক্কী ফেমিলিনা মহাক্কী epitaph (মোংফমগী নুঙদা ইবা ৱাহৈ) দা মে ১২দা শিবনি হায়না মহাক্কী অপাম্বা মতুংইন্না ৱীশ তৌরম্মী। ১৩ অসি দাউ য়াদে কাইদু কচ্চানি। অনলক্কি আইটকী ৱারী অমসু লৈরি। অমেরিকাগী টঙ্গাসতগী জজ ই স্পিল্লমেনদি নম্বর আইট মেন হায়না খঙনখি। মহাক চহী ৮৮শুবদা, ১৯৮৮কী ওগষ্ট ৮গী নুমিদাং পুং ৮ তাবদা শিখি।

ঐখোয়সু নোংমদি শোয়দনা শিরগদবনিনা হিংবা কিবগী মতাংদা ইবা তনবু তল্লবনি। হিংবা শিবগী মতাংদা ঙাঙবসিসু তল্লে। অদুবু শাগুম্বা অমদি ৱা ঙাঙল-ঙাঙলগা অদুম্মক শিখিবা মীওইসু লৈরম্মী। মহাক্লা ৱা ঙাঙবা পাম্বসিদি মাইক্রোফোন থাদোক্তবী, মাইক্রোফোন য়েপ্লগা অদুম চৎলিকা হায়নবদুনি। তশেংনা মহাক্লা ইশি শিনা তূল্লিঙৈ মতমদসু ৱা অদুম ঙাঙই হায়। মহাক্লা অসুম্না কোদ তৌরম্মী - "Talked to Death - Edward Dilley (1732-79) of Landon, England never stopped talking even in his sleep. Physicians certified this as his actual cause of death!! ৱা ঙাঙমন্দুনা শিবনি অসিনি।

জাৎ-জাৎনি তৌনরিবা অসি। অদুবু মীশি চাদনা শিবদি কনানসু পাম্নবা নত্তে। আর্টিকল অসি ইবা হৌরকপদা মীশি মীনাগী পাউ তারকপদা হোস্পিটালদা শিখিবগী মতাং তোয়মল্লকপদা নুংঙাইজদে হায়জখিবদু রিমসতা চাবোকপী শিখিবগী মতাংদুনি। লায়েংফম, এইমসকী টাইপ্তা লম্ফেলগী রিমস ফগৎলক্লে হায়নখিবদু হৌজিক্তি শিবা তোয়মল্লক্তুনা মীহাৎফম ওল্লব্রা হংনরকপসু য়াওরে। ঐখোয় পোকপদদি মাইবীনা পোকপনি। খোইদৌ কক্লবা ব্লেদ, কাটি অমগী মমলগা মাইবীগী অৱামল খক্তগনি তিংলমগদবা হৌজিক্তি চাওখৎলবা, খূৎশু-খূৎলায় মরাং কায়রবসু গাইনিগী ডাক্তরশিংসি উবদা কিরগা চেন্নরে হায়রি।

অদুবু মীরমদদি অঙাং পোকপসি জাৎ জাৎ তৌনরক্লে। কুমজা ২০০০দা আফ্রিকাগী মোজাবিক হায়বা লম অদুদা ঈচাও থোকপদগী মহৈ মরোং কয়ামরুম অমা ঈশিং মনুংদা লৈখিবদগী Sophia Pedro কৌবী নুপী অমদি উ মথক্তা কাখৎলগা মশা ৱায় শংদবগী অৱা মৈচাক খাঙজখি। ৱাংখ্রবা উগী উশা মথক্তা "Roshita" হায়না মিংথোল্লবা অঙাং অমা ফোং লাউনা পোকখি। তস! কমদৌই! পুং অমগী মতুংদা সাউথ আফ্রিকাগী মিল্লিটরি হেলিকোপ্টর পাইশিল্লক্তুনা মমাগা মচাগা রেস্ক্যু তৌখি। ●

## ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১২১

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না লাইগী ওইবা কুম্মৈগী থৌরমশিংসি তপ্না তপ্না শিথরক্লি। মসিগী মরু ওইবা মরম অমদি ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎ (পরৈ হনবা) না কুমজা ১৯৯২গী এপ্রিল ২৩, শজিফুগী ২১নি পানবা শগোলশেল নুমিৎতগী মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোন (মীরোলদা- রিলিজন/ধর্ম্ম) থাদোক্লগা মীতৈশিংগী অরিবা লাইনীং লীচৎতা হঞ্জিন্দুনা লৈপাকসিগী লাইনীংদি 'লাইনিংথৌইজম' ওইনা মশক খঙলে হয়না লাউথোকখিবদগী হিন্দু লাই লাৎপা লাইফমশিং চৎতুনা থৌরম পাঙথোকপগী চাং হন্থরকখিবনি। হান্নদগী হৌনা লৈপাক নিংথৌনা মশক খঙবা উমং লাইশিংগী লাইফল্লেনশিংদা পাঙথোক্তুনা লাকপা হরাও কুম্মৈগা শাগোন্নবা লাইগী থৌরমশিং হায়বদি 'লাই হরাউবা' য়েক শাগৈচাশিং ওইবনা পূন্না পাঙথোক্তুনা লাকপদু হৌজিক্তনা পাখঙ লৈশাবী, মৌনহা অহল অমদি লাইগী থৌগল চংলিবা অমাইবা, পেনা খোংবা, থৌগল চংলিবী অমাইবী, ইবুধৌ ইবেনধৌশিংগী মশাইগোনগী শুমাংদা জগোয় খূৎথেক কৎচনীংবা, কছনীংবী, হরাউ শকশেম কারিঙৈদা অখিং অরাক, থিনবা য়ৈবা, তৌদ্রি খোংবা কয়ানা তৌরিবশিংদু শরুক য়াবনা য়াবা, য়েংবশিংনা য়েংবা লাক্লবগী মথক্তা-লাইপাউ চেন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা চেঙবী চেঙবা, হৈরাং লৈরাং কৎচবা নংহৌনবা খুলগী মীওইশিংদা নত্তনা অতোপ্পা খুল কয়াদগী লাকপা লাকপীশিংনা উমং লাইশিং - লাইনিংথৌ লাইরেম্বী, ইবুধৌ ইবেনধৌ কয়াগী মকাইফমদা চিক্লা চাইনা ঙমদবা থৌওং ওইরক্লি। উমং লাইশিংগী মকাইফমদা নত্তনা ঈনাৎকী হাউ কুম্মৈ কয়াদা মী য়াম্না তিল্লকপগী অতোপ্পা মরম অমদি ঈনাৎকী অরিবা লাইনীং, লাইশোন অমদি লাইনীং লীচৎ খঙলকপা মী মশীং হেঙ্গৎলকপদগীনি। হেন্না হেন্না ঈনাৎ লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা উমং লাই অমদি লাইফল্লেনদা মী তিনবা/পুনবা হেঙ্গৎলক্লবগী অচৌবা মরম অমদি - ইন্দিয়াগী ওইনা ষ্টেট তরুকখক য়ুনেস্কোদা ইন্টেঞ্জিবল হেরিটেজ ওইনা চন্নবা থাবদা মণিপুরগী নট সঙ্কীর্ত্তনবু কুমজা ২০১৩গী দিসেম্বর ৪দা ইন্টেঞ্জিবল হেরিটেজ ওইনা চনখিবা দিসেম্বর ৪বু সঙ্কীর্ত্তন নুমিৎ হায়না কুমজা ২০২১দগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখিবসি য়াম্না চাওথোকচনীংঙাইনি। হিন্দু লাইনীং লাইশোনবু মসা লৈঙাক (মীরোলদা - ষ্টেট লৈঙাক) না য়োকখৎতুনা লাক্লি হায়বসিগী ময়েক লারবা খুদমনি।

মরী লৈনবা মীখা পোনবা মখল অনীগী মরক্তা করম্বনা হেন্না শাফূ কনবগে?

মালেমদা লৈরিবা লৈপাকশিংগী খুন্নাইশিংদা অমনা অমগী মীখা পোনবসি মখল য়ামখ্রে। চাওরাক্লা মখল অহুম থোক্লা শন্নপ্না থমজগে। য়াম্না চাওখৎলবা লৈবাকশিং, ময়ায় ওইরপ চাওখৎলবা/লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলক্লিবা লৈপাকশিং অদুগা অহুমশুবদা য়াম্না চাওখৎত্রিবা/চাওখৎপগী খোঙথাং য়াম্না হন্থনা লৈরিবা লৈপাকশিং খুদম - য়াম্না চাওখৎলবা লৈপাকশিংনা পুথোক্লিবা/শেম শারিবা পোথোকশিং লৈনীংবা/লৈবা ঙম্বা অতোপ্পা লৈপাকশিংগী মখা পোল্লি হায়বদি লৈবিনবা লৈত্রবদি পুথোক্লুবা/শারুবগী থোয়না কান্নফম লৈরোই। অনীশুবা মখলসিনা মশাগী লৈজরিবদুনা মপূং ফাদবদগী মখোয়গী অৱাৎপা মখল খুদিংমক চাওখৎলবা অমদি পোৎচাক ওইনা চাওখৎত্রিবা লৈপাকশিংদা লৈবদু মথৌ তারকপা মতমদা শীজিন্নবা মথৌ তারকপদগী ফীভম খরদা মীখা পোনবা তারকই। অহুমশুবসিনা, হীরম খুদিংমক্তা মরৈবাক্তগী লৈনবা অমদি মহৌশাগী লাইরেম্বীনা খুদোল ওইনা পীরকপদু কান্নবা মরমদা শীজিন্নবা/ওন্থোক্লবগী লৌথোকপা শুংদোকপা, শীজিন্নবা খঙদবদু খঙনবা অখঙ অহৈ লৈপাকশিংগী মীখা পোনবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। মীখা পোনবসি মখল য়াম্মী হায়না ৱাহৌদোক ওইনা থম্বগী ইচম চম্বা ৱাফম্নি।

ৱারেং লাইরিকসিদা থমনীংলিবা মরী লৈনবা মীখা পোনবগী অতোপ্পা মখল অনীদি - মীরোলনা মরম ওইরগা ইমালোলনা মীখা পোনবা ওইহনবনা অহানবা ওইরগা, অনীশুবদনা লম অমগী মশাগী হৌরক ফূরুপকী চাওখৎপা চাওখৎতবা ওইরবসু মশাগী হৌরক্লোনদগী লৈজরকপা লাইনীং লাইশোন হুলাল্লগা মীরমগী লাইনীং লাইশোন লৌরুবদগী ইমালোলবু মীখা পোলহনবা মখল অনীসিগী মতাংদনি। মসিগী মখা চত্থরকপদনা করম্বা মীখা পোনবনা হেন্না অচৌবা শাফূ/চৈথেং পীবগে হায়বগী মতাংদসুনি। লাইরিক হৈবতমক নৎতবা লাইশুসু অনী তুনা খঙ হৈবা মীওইশিংনদি মখোয় মশাগী ওইবা পাউখুম লৈজরমগনি। পূক্নিং ৱাখল মান্নবসু য়াওরম্বা য়াই হায়না খঞ্জরগা/লৌজরগা মখাদা অসুম্না থমজগে।

মীরোল য়াম্না ইমালোলদা লোলয়ান ওইনা ঙাঙবা অমদি ইবদা শীজিন্নরবদি ইমালোল মীখা পোলহনবা ওইনা থোকই। ইশাগী ইফূরুপকী লাইনীং লাইশোন লৈনা লৈনা মীরমগী লাইনীং লাইশোন লৌরুরবদি থুনা মীরমগী মীখা পোল্লক্লবগী মরম ওইরকপগা লোয়ননা তুং কোয়নসু মীখা পোন্দুনা লৈনবগী অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লি।

অহানবদা, মীরোলনা মরম ওইরগা ইমালোলনা মীখা পোলহনবগী মতাংদি - ইমালোলগী হান্নদগী লৈজরকপা অরিবা লোল, ৱাহন্থোক য়াম্না লৈবগা লোয়ননা ফজবা নৎত্রগা হৌজিক হৌজিক ঙাঙনরিবা লোলসি শীজিন্নবগী চাং সুম সুম হন্থরক্লবদি ইমালোল মফম মতম চানা শীজিন্নবা ঙল্লরোই। মমৈথংদদি ইমালোল থৌওইরক্তবদগী কাউরক্লগনি। অদুদগীদি ইমালোল অশেংবা লৈতবগা চপ মান্নরক্লগনি। মতম খরা লৈরগদি ইমালোল লৈনা লৈনা মীরোলনা য়াম্না তোয়না শীজিন্নরকপদগী ইমালোল খঙদবগা চপ মান্নরক্লগনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২২গী ৱাহং

১) "ৱানোম্বা" হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "বিলি বিশ্বাশকী অঙকপা কেশ" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং ইয়ু।

৩) "শৈরেং চাম্মনিপাল" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) "নুপীগী আশ্রম" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) "মপান মণিপুরগী মণিপুরী সাহিত্যগী মশক" হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।